HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



পোরোম্পাৎ পাঙল লৈকায়দা লৈবা এম দি টিকেননা জোমি ভিলাদা লৈরম্বা কুকি অমগী পোৎচৈশিং ওটোরিক্সোদা মোটবুংদা পুখিনবা হোৎনরম্বদগী মীয়াম্না ফাদুনা মৈ থাদোকখিবা

‘অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ, ওগষ্ট ১৩না লাকপদা নীংতম্বগা থৱায়গা ওন্নখ্রবা অথৌবা ইপা ইপুশিংগী মফমদা কোক নোঞ্জদুনা ইকায়খুম্নবা উৎচরি’

- হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স

হকথেংনবা পাউদম (লৈমখোং মপান্দগী খুঞ্জা অমা) ☛ লামায় ৫

খা মণিপুর কোলেজ ককচীংগী মল্টিপর্পজ হোলদা মিলাল অমদি দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ প্লান্নিং ইমপ্লিমেন্টেসনগা খূৎশম্নদুনা রিলিফ কেম্পদা লৈরিবা মীওইশিংদা মীতৈ ময়েক তম্বীনবগী থৌরম হৌদোকখিবা



Vol. 47, Issue No. 141 | নোংমাইজিং, থৱানগী ২৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, August 13, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## লাঞ্জেন্নরকপশিং লৈনবা লৈঙাক্লা য়ূম শাবা লোইশিল্লক্লবসু লৈবীগদ্রা হায়বসি ৱাহং ওইরি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা মে ৩দগী কুকি টেররিষ্টশিংগী লান্দাদগী থৱায়তবু হিংহৌরবদি হায়না লাঞ্জেন্নরক্তুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা হিংলিবা মীওইশিংগীদমক ঈরাং অসি লাকশিনবা অমদি মশা-মশাগী খুলশিংদা হঞ্জিন্দুনা লৈহনবা ঙমদ্রি ফাওবা লৈঙাক্লা চীং অমদি তমগী লাঞ্জেন্নরিবশিংগীদমক মতম খরা লৈনবা য়ূম শাগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি হৌজিক ফাওবদা শজিৱা জেল অমদি শওম্লুংদা শাবগী থবক হৌখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা শজিৱা জেলগী মনীং অমদি শওম্লুংদা শারিবা লাঞ্জেন্নরকপশিংনা লৈনবা ফেব্রিকেটেদ হাউস অসি শাবা লোইশিল্লক্লবসু মশা-মশাগী খুলদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা য়াম্না লাকচনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা অমদি য়ূম মৈ থাদোকপীদুনা তাম্থোরকখিবনা মরম ওইরগা রিলিফ



কেম্পদা লৈরিবা মীওইশিংনা লৈঙাক্লা মখোয়না লৈনবগীদমকনি হায়না শারিবা ফেব্রিকেটেদ হাউসশিং অসিদা লৈনীংদে। মদুগী মহুত্তা মশা-মশাগী খুলশিংদা হঞ্জিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না ফোঙদোক্লরকপনা ফেব্রিকেটেদ হাউসশিং অসিদা লাঞ্জেল্লকপশিংনা লৈগদৌরিব্রা হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি।

শজিৱা জেলদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## কুকিগী পোৎ চৈ পুরকপা ওটো অমা থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়দা মীয়াম্না মৈ থাখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচএনএস) :** মরাল লৈজদ্রবা মীতৈ নহা য়াওনা মীওই কয়া কুকি টেররিষ্টশিংনা তমথীনা হাৎখিবা অমদি য়ূম মৈ থাদোক্তুনা তাম্থোরকপদগী হৌজিক হৌজিক রিলিফ কেম্পদা লৈদুনা অৱা মৈশা লাংবগী মথক্তা খোইশাওনরিঙৈ চৈরক অসিদা কুকিশিংদা মতেং পাংশিনবগী থৌদোক লেপ্পা লৈতনা থোরকপগী মনুং চন্না ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তাবা মতমদা নোর্থ এ ও সীগী জোমী ভিলাদা লৈরম্বা হৌজিক্লা ময়ূম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রবা কুকিগী ইমুং অমগী পোৎ চৈশিং ওটোরিক্সো অমদা হাপ্লগা মোটবুংদা পুখিনবা হোৎনরম্বদগী ফারগা থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়দা মীয়াম্না মৈ থাদোকখ্রে।

কুকিগী ইমুং মনুংশিংদা পোৎ চৈ পীনবা পুদুনা চৎলল্লিবা ওটোরিক্সো অদু খাল্লুবদা খাল্লমদনা থৌখিবদগী মীয়াম্না তান্নদুনা ফাখিবনি। ওটো দ্রাইভর অদুনা কুকি ইমুংগী পোৎলমশিং অদু জোমি ভিলাদগী পুথোরক্লগা সেনাপতি বস পার্কিংদা মোটবুং তম্না চৎকদবা বস অমদা হাপ্লবগীদমক পুরকখিবনি হায়রি।

মীয়াম্না ফারবা মীওই অদুগী মমিং এম দি টিকেন (৫২) কৌই। মহাক হৌজিক ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎ পাঙল লৈরক্তা লৈবনি। খোইশাওনরবা মীয়াম্না ওটোরিক্সো অদুদা পুরকপা পোৎ চৈশিং য়াওনা ওটোরিক্সো অদুসু মৈ থাদোকখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা ওল মণিপুর মীতৈ পাঙল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম এম মন্দেহর অলিগা পাউ ফাওনরবা ওটো দ্রাইভর এম দি টিকেনবু অসিগুম্বা থবক অসি মতুং মনাও অমুক হন্না তৌদনবা ৱারক-ৱাতেল্লবা তুংদা খূৎশিন্নখি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবা মতমদা সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লৈমখোংদগী পোৎ চৈ পুরকপা গাড়ী অমা খুরখুল কান্টো লমখাইদা খামদুনা চেক তৌবদা কুকি নুপা অমগী এদ্রেসতা থারকপা কোরিয়রগী পোৎ চৈ খরা য়াওরম্বদগী ফাগৎখ্রে। অসিগুম্বা কুকিশিংদা মতেং পাংশিনবগী থবক অসি ঈরাং নেমথদ্রিবা ফাওবা মখা তানা তৌবীগনু হায়না খুঞ্জাশিংনা অপীল তৌরক্লি। ফারবা পোৎলমশিং অদু সেকমাই পুলিসনা পুখ্রে হায়রি।

## কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচএনএস):** হয়েং ওগষ্ট ১৩দা কর্ফিয়ু কোমথোক্কদবা দিষ্ট্রিক্টশিং-ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট ওইনা অয়ুক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা, বিষ্ণুপুর ১দি ককচীংগীনা অয়ুক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা, থৌবালগীনা অয়ুক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্কনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q : Houkhiba May 3dagi Kuki Terroristsingna Meeteida atamnana landaba ngamlibasi makhoigi oiba tengbangbinaba kaya lei haibasi thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

### NGARANG GI RESULT

Q : No-Confidence Motionda Prime Minister Narendra Modina Manipurgi wathok asigi matangda fongdokhiba wapham penningai oibra?

Yes 40% No 60%

### অস! লোইরেহে!

- ঐখোয়বু থবক পীয়ু, পোৎ চৈ মমল তাঙখৎহনগনু!



- সিগুম্বসিদি ফাগি তারেদা।

## ১৯শুবা মীয়ামগী ফিঙাং লান্মীগী মপোক কুমওন্দা পাউজেল পীরক্লি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী লান্মী শঙলূপ, মীয়ামগী ফিঙাং লান্মী (এম এফ এল) গী ১৯শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ কুমজা ২০২৩, ওগষ্ট ১৩না লাকপদা কে সী পি/এম এফ এলগী মিলিটরি এফ্যেরস কম্মিটিনা কংলৈপাক/মণিপুর অমদি ৱেসিয়া লমদমগী য়াওল্লুপশিং, ইরৈচাশিং, ইমা লূপশিং, সী এস ওশিং, ইন্টলেকচুএলশিং, মীদিয়াগী ইচিল ইনাওশিং, হকশেল্লোইশিং, কুম্মৈরোইশিং, শান্নরোয়শিং অমদি মহৈরোয়শিং পূম্নমক্কী মফমদা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎচবগা লোয়ননা কুমসি চহীগী পাউজেল পীজরি হায়না কে সী পি/এম এফ এলগী মিলিটরি এফ্যোস কম্মিটিগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ২০২৩, ওগষ্ট ১৩ অসি লৈবাক্কী য়াম্না মরু ওইবা নুমিৎ অমসুনি। ১৮৯১গী এঙলো মণিপুর ৱারদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎনি। নুমিৎসিনা লাকপদা মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## ওগষ্ট ১৫দা মণিপুর পূম্বা টোটেল শটদাউন লাউথোক্লে : অসুক

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ :** লাক্লিবা ওগষ্ট ১৫দা মণিপুর পূম্বা টোটেল শটদাউন লাওথোক্লে হায়না এল্লাইএন্স ফোর সোসলিষ্ট য়ুনিটি, কংলৈপাক (অসুক) কী পব্লিসিটি কম্মিটিগী কনভিনর এস মঙালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চৎলিবা ওগষ্ট থা অসিগী লাক্লিবা চৈচৎ ১৫ অসি ইন্দিয়াগী নীংতম নুমিৎ থোক্লে। নুমিৎ অসি ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা য়াম্না চাওনা পাঙথোক্লগদৌরি। ঐখোয়গী কংলৈপাক মণিপুরদসু লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংনা পাক চাওনা পাঙথোক্কদৌরি। তশেংবদি নুমিৎ অসি ঐখোয়গা মরী লৈনদে হায়বা য়াই। ঐখোয়গী মণিপুরগী নীংতম নুমিৎতি ইন্দিয়াদগী নোংমা হাল্লগা ওগষ্ট ১৪নি। ওগষ্ট ১৪দনা লূপ খরখক্লা মনা-মনিল নাইদনা লন্নাই ওইনা পীক্লা নীংতম নুমিৎ পাঙথোক্লগা ওগষ্ট ১৫ অসিনা লৈঙাক্লা শৌগৎতুনা হরাও তয়াম্বগা লোয়ননা পাক চাওনা পাঙথোক্লরিবা অসি করিগীনো হায়বসি ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## মতৌ করম্না ইন্টরনেট হাংদোকপা য়াবগে য়েংশিন্নবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচএনএস):** ষ্টেট অসিদা হৌখিবা মে ৩দগী থোক্লকখিবা ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা অয়ৌবী থাক্তা মখা তানা ঈরাং থোক্লক্তনবা অমদি ঈরাং লাকশিন্নবগী পান্দমদা লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবা ইন্টরনেট থিংদুনা লাকখিবা অদু মতৌ করম্না মোবাইল ইন্টরনেট হাংদোকপা য়াগদগে য়েংশিন্নবা মণিপুর হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়রি।

ইন্টরনেট...মখা লামায় ৩ কলম ১

## অথৌবশিংগী নুমিৎ ওগষ্ট ১৩না লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি






**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচএনএস) :** মমা লৈবাক মণিপুরগীদমক পাম্মুবা লৈতনা থৱায় ফাওবা কথোকখ্রবা ইপা-ইপুশিংবু নীংশিংবা অথৌবশিংগী নুমিৎ ওগষ্ট ১৩না লাকপদা লৈবাক মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়না মণিপুরগী গভর্ণর অনুসুইয়া উইকে অমদি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা থাদোরকপা চেরোলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ১৮৯১দা বৃটিশকী মখূৎতা মায়থীরগনি খঙনা খঙনা মীখা পোন্না হিংদুনা লৈবগী শরুক শিখিবনা শরুক ১০০ হেন্না ফৈ হায়না লাম্হেংনখিবা ইপা-ইপুশিংগী থৌনা অদুবু ঐখোয়না ঙসিসু নীংশিংলি। মখোয়গী থৌনা লিংজেলশিং অদুগী মতৌ তমদুনা ঐখোয়গী মণিপুরদা মপান্দগী পীরক্লিবা শাফুশিং অমদি মচেৎ থোক্লা থুগাইনবা হোৎনরক্লিবা খুদিংমক থেনংমিন্নসি হায়নসু য়াইফ পাউজেল পীরকপগা লোয়ননা অপীল তৌরক্লি।





HL-B/8275/13





HL-B/8274/13